থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঐখোয় মীওইবগী শা ওইবা মতৌ

'মেন ইজ এ সোসল এনিমেল' হায়বা ইংরাজি ৱাহায় অসিগী ৱাহন্থোক, অঙাং ওইরিঙৈদা ওজাশিংনা 'মীওইবদি ৱা ঙাঙবা হৈবা শা অমনি' হায়না তাকপীরকখিবদু লাল্লম্লে হায়বা, ইহৈ-ইশিন তম্বা লোইরবকান, য়ুম-কৈ পান্দুনা ঈচা-ঈশু লৈরব'কান, কাইনথংদা খঙলকই। অদোম্বু তম্বীরকপা ওজ াশিংনা তাকপীরকখিবদুসু 'সিদগী পঙখেন খেন্নরম্লোই। ঐখোয়বু (মীওইববু) তশেংনমক শা মখল অমনি হায়দুনা, শা অমগা চাংদম্নদুনা তাকপীবদি তৌরক্লম্লোই। 'খুন্নায়লোন লিংখৎপা শা মখল অমনি মীওইবা' হায়না হনবনা হেন্না চুনবা ৱাহন্থোক ওইগদ্রা, খল্লকপনি ৱাখলসিদা। ওরিজিনেল ওইবা ৱাহায়সিদি গ্রীক ফিলোজোফর এরিষ্টোতলনা ইহান হান্না হায়খিবনি। মাগী ফিলোজোফিকল ওইবা আইদিয়াদুনা অমা ওইরসনু। মহাক্না ৱাহায় অসি শেম্লম্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা মীওইবগী শক্লোনসিদা য়েংলগা ৱাহায়সিগী অচুম-চুমদা নৈনরুসি ঙাইহাক্তং।

'ইভোল্যুসনরি থিওরি'গী মতুং ইন্না ঙসি ওইরিবা 'হোমো সিপিয়নস' কাঙলুপকী মখা চথরকপা 'মীওইবা' কৌবা কাঙলুপসিগী মমাংদা লৈরম্বা তাঙ্কক (ষ্টেজ)শিং অদুগী মরমদদি পঞ্জররোই, ৱারেংসিগী পান্দমদগী নাথৈখ্রনি। ৱারেং অসি ইজনীংলুবগী মরুওইবা পান্দমদি অতৈ নত্তে, ঐসিবু খুন্নাই লিংবা শা, সোসল এনিমেল অমনি হায়রিবনিনা, ঐঙোন্দা শা ওইবগী মতৌ (এনিমেলিতি) অদু কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বদু খন্থরক্লম্বনি। এনিমেলিটি (শা ওইবগী মতৌ) হায়বসি মীওইবগী করম্বা লমচৎপু কৌগদগে ? ঐখোয়গী মীতৈলোন্দদি, শা মওং চঙবা লমচত্তুবুনা 'শাজৎ', মীগী মওং মতৌ উৎপা লমচত্তুবুনা 'লীচৎ' কৌনরম্মী। শাগী লমচৎ, মীগী লমচৎ তোঙাল্লি। শানা মী ওইবা য়ারোই, মীনসু শা ওইবা য়ারোই। শানা শা, মীনা মী ওইনা অসুম লৈগনি। অদুবু, মীওইবা কৌবা থৱায় পানবা অসিদা লৈরিবা তৌবা ঙম্বগী শক্তি (পোতেন্সিয়েন) অসিদি অঙকপনি, শা অমগী থাক্তগী হেন্না হন্থবা থবক্তুসু তৌবা ঙম্মী, মীনা ঙম্বা থাক্তগী থোইদোক হেন্দোক্না লাইমক্কী থাক্তা কাখৎনসু তৌবা ঙম্মী।

হুই-হৌদোং-ষননচিংবা শা'দুদি হেনগৎপসু তৌদনা হন্থবসু তৌদনা মাগী মাগী থাক্তুদা লৈ অদুম লেঙদনা। মীওইবগী মরক্তই বুদ্ধগুম্বা, গান্ধীগুম্বা থোরকপগুম হিতলরগুম্বা, বিন-লাদেনগুম্বসু থোরকখি। মীওইবদগী হেন্না তমথিবা, শারমচৎ চৎপা শা, করম্বা শা লৈবগে ? ৱাহং অসি শানা মরোল থোক্লম্লবা, শোয়দনা হংলক্লমগনি।

ঙসিগী টুনিসিয়া, নোংপোক থংবা অফ্রিকাগী লমসিদা 'কার্থেজ' কৌবা লমদম অমা খৃ: মমাং ৮১৪গী অদুৱাইদা মতিক লৈবা নিংথৌশিংনা মঙাল নাইনা পাল্লম্মী। মতমদুগী খ্বাইদগী খুৎকন পাঙ্গনবা 'রোমান'শিংগা তত্তনা লান্থেংনরম্মী। মালেমগী পুৱারী ইবদা 'কার্থেজিনিয়ন এম্পাইর' হায়না অচৌবা মফম অমা কল্লিবনি। মফমদুদা মতমদুদা চৎনবী অমা লৈরম্মী, মমা-মপা ওইবশিংদা থাজনবী অমা পোকহল্লম্মী, মদুদি মখোয়না পোকচবা মচাশিংদু চহী ওন্দ্রিঙৈ মৈজাও অমা থাদুনা, মদুদা লংশিন' কখোক্লবদি ঈশ্বরনা মাবু চানগনি, মাগী ৱাকৎ তাবীনি। মীওই লিশিং কয়ানা য়োমশিল্লগা, মচাবু মৈদা লংশিল্লগা হাত্তোকপা, হরাও তয়াম ফোঙদোকপগী চৎনবী মীওইবা মরক্তদনি লৈগদবা, শাগী তাইবংদুদদি কৈদৌনুংদা উঙম্লোই।

কার্থেজগী ৱারীদু মথায় থায়নগী ৱারীনি, চাওখৎত্রিঙৈ মতমগীনি হায়রবসু এদোলফ হিতলরনা লুচিংবা নাজি-জর্মনশিংনা 'জিউ'শিংবু মালেমদগী মুথৎপগী পান্দমদা চত্থখিবা মীহাৎশিং... মীওইবনা খাংঙমদবা খোল্লাউ লাউদুনা শিবদু অতোপ্পা মীওইবা কয়ানা কুমহৈগুম্না য়েংববু, মীগা খ্বাইদগী নক্নবা শানি হায়রিবা য়োংশিংনা তৌগদ্রা ? তিয়ানমন-স্কোয়র'দা 'মীয়াম-লৈঙাক' চৎনহনগদবনি হায়না লাউরুবা মহৈরোয়শিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মহৈরোয় লিশিং ১০,০০০ হেন্না হাৎখিবা ইন্দিয়াগী অমৃতসরদা মীফম ফমজবা ইন্দিয়নশিংদা থাঙ অমনা মীগী মঙক লেন্দুনা ককথৎলগা মনমগন্দা থাঙ্গৎপা, অদুসু, মথঙ মঙক কেন্নবা পালি তাদুনা ঙাইরিবা অমগী মমাংদা। অসুক তমথিবা থবকপু তৌবা ঙম্লিবা, অতৈগী নত্তে, মাবু শেম্বীরকপনি থাজজরিবা মপু মাবু পেলহন্নবনি। লোইনাইদবা ৱারীনি, শারমচৎ চৎপা মীওইবগী।

অদোম করিগুম্বদা, থৌরৈতবা অমগুম মীওইবনা শোক্লখিবা লানগী ৱারী পাদুনা শান্নবীখ্রেবরা ? হৌখিবা চহী ৩০০০ লোমসিদা মীওইবনা লান ৫০০০ রোম শোক্লখরে। মীওইবনা অতোপ্পা মীওই কঙলুপ অমবু, মাগী অনীংবা-অপাম্বা অমগীদমক লান্দাবা, হাৎপা। অদুবু কৌই 'লান'। ৱার মিন্স কিল্লিং হ্যুমেন বিইং বাই আনদর হ্যুমেন বিইং। শানা অতোপ্পা শা অমা হাৎলগা চাবদুদি শা ওইবা (তমথিবা) মতৌ নত্তে, মনাৎনি।

ঐখোয় মীওইবা, শাগা পান্দম্নদুনা মতিক-মগুন শৈথারগা হেন্না পেঞ্জে নুংঙাইজৈ মথৌনা ফবা, মথৌ পাঙবদা কিদবা মীদুবু কৌনৈ 'লাইওন-হার্টেদ', নোংশাগী পুকচেল চেনবা মী। লাইওন্স ক্লব থোল্লগা, মেম্বর ওইবা মীশিংবু ইকাই খুম্নরিবা, লাইওন মিংথোল পীনরিবা করিগী ? মীৎয়েং শানবা, ফংগে নীংবা তার্গেট শোয়গন্দবা মীদুনা 'ইগলস আয়'। শাগৈগী/ইমুংগী ইকাইখুম্নবা মাঙনবা মশক ওইবা মীদুবুনা 'ব্লেক সীপ'/ খঙ্গন্দবা, উগন্দবা, বুদ্ধি শোইরেম্বা মীশিংদা 'ষণ' মিঙ্গৌনরিবা, ঈকায় খঙদবা মীবুনা 'হৌদোং' মিঙ্গৌনবগুম কনাগুম্বা অমদা ওক, য়োং, হুই হায়না মিংগৌনবসু মীদুগী ফত্তবা মতৌ অদু মশাদা লায়না খঙহন্নবনি।

অসুম্না, ঐখোয় ঈশানা ঈশাবু, করিগী শাগা পান্দম্নদুনা কৌনরিবা করিগীনো খঙলবা মতমদুতদা ঈশাবু শা ওইবা মতৌদুদগী লাপথোকহনবা ঙমগনি।

লৌশিং পুক্কে

## সিজোফ্রেনিয়া ঃ

# খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা পুক্নিং-ৱাখলগী অনাবা



সি জোফ্রে নিয়া হায়বসি ব্রেনগী অশোয়বা অমনা মরম ওইরদুনা অচুম্বা মশক খঙবা ঙল্লক্তবা ৱাখলগী অনাবা মখল অমনি। লায়না অসিনা নারবা মীওইশিং করিগুম্বা কান্দা শুংলৈ লৈতবা পোৎশক অমা ৱাখলনা শাগৎতুনা মমাঙমক্তদা লৈরে হায়না খঞ্জবগা লোয়ননা মীৎতা উহৈদবা পোৎশক কয়া উরকপা য়াই। মসিনা মরম ওইরদুনা ৱাখল খনবগী মওংদা য়াম্না চাউনা অহোংবা লাকই। লায়না অসি মতম শাংনা লোয়নরকপা মরম্না অতেনবা মতমগী মনুংদা ফহনবা ঙমদে।

লায়না অসিগী মরু ওইবা লায়ওংশিংদি শুংলৈ লৈতবা পোৎশক্তা চপ চানা থাজবা থম্বা, মীনা চুম্না নোকচরবসু নঙোন্দা ওইরবোই নীংবা, খুদোংথিবা থৌদোক অমা শোয়দনা থোক্লগনি হায়না চপ য়ুংনা থাজবা অমসুং মশামক্কী হকচাংগী কয়াৎশিং নীংথিনা মথৌ তৌদ্রে হায়না শেরান্ননা থাজবা অসিনচিংবনি।

করিগুম্বা কান্দা ৱাখলনা শাগৎতুনা মীৎতা মখল-মখল উরকপা অমসুং নাকোংদা মখল-মখলগী খোঞ্জেল তারকপগা লোয়ননা মমৈ-মকোক শম্নদবা অমসুং মরী লৈনদবা ৱা ঙাঙলকপা য়াই। মরক-মরক্তনা অঙাং মচাগী মতৌগুম ঙাঙন-শক্লবা য়াদবা, মরম ইচা চাদনা শাউরকপা, মথৌদা পুক্নিং চঙলক্তবা অমসুং মীরক তিন্নীংদবগী মওং উবা

ফংলকপা য়াই।

ইনখৎলকপা, মপুং মরৈ ফারকপা মতমদা লায়না অসিনা নাবা তারবদি পাক হেক খঙবা ঙমদে। মরু ওইবা লায়ওং খরা পনবা তারবদি মমান্নবা তিন্নৌ য়াদবা; মহৈ-মশিং তম্বদা নোংমা-নোংমগী শোন্থরকপা, তৃম্বা য়াদবা, অয়াম্বা মতমদা শাউরং-মৈরংনদুনতা লৈবা, হোৎননিংবা ৱাৎপা অমসুং মথন্তা তুমিন্না পংলৈদা লৈবা অসিনচিংবনি। লায়না অসিনা নারবা মীওই অয়াম্বা পুন্সি অসি হিংলুবগী থোইনা কান্নদ্রে খন্দুনা মশা মথন্তা শিজনিংবগী ৱাখল পোক্লকই। মরম অদুনা মখোয়বু য়াম্না চেকশিন্না অমদি হৈ-শিংনা লোয়নবা মথৌ তাই।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সিজোফ্রেনিয়া ওইরকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক মী অমগী জিনগী ওইবা অশোয়বা অমসুং অকোয়বগী ফীভমনা লায়না অসি ওইহল্লকপনি হায়না হীরম অসিদা থিজিল্লিবা কাঙবুনা চপ চানা থাজবা থল্লি। মসিগীসু মথক্তা ব্রেন মনুংদা মশা মথন্তা থোকচরকপা দোপামিন অমদি গ্লুটানেট কৌবা ন্যুরোট্রান্সমিটরশিং অমদি অতৈ কেমিকেলশিংনসু লায়না অসি ওইহল্লকপদা চাউনা মতেং পাংই।

লায়না অসিনা ওইহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংদি সুইসাইদ, মশা মথনতা শোকহঞ্জবা, ৱাখল ৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা, য়ু নৎত্রগা দ্রগ লান্না শীজিন্নবা, ইমুং-মনুং মহী লাঙবা, থবক তৌবা নৎত্রগা মহৈ তম্বদা পুক্নিং চঙবা ঙমদবা অমসুং খুন্নাইদগী লাপথোক্লা লৈবা অসিনচিংবনি।

সিজোফ্রেনিয়াগীদমক্তদি পুন্সি চুপ্পা লায়েংবা মথৌ তাবা মরম্না লায়ওং অমত্তা উবা ফংদ্রবসু মখা তানা লায়েংদুনা অদুমক লৈগদবনি। লায়েংবা হায়বসিদা হীদাক-লাংথক পীজবখক্কী ৱা নত্তে। সাইকোসোশল থেরাপিগী মতেংনা ৱাখল খনবগী মওং হোংদোকহনবসু মথৌ তাই।

সিজোফ্রে নিয়াগুম্বা পুক্নিং-ৱাখলগী লায়না অমবু লাকশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি মরুপ-মপাং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগীদমক্তসু অচৌবা শীংনবা অমনি। মরম অদুনা লায়না অসিগী মরমদা চাউরাকপা মওং অমা খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা অনাবা মী অমবু কমদৌনা লোয়নগদগে হায়বদু মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনগদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা সপোর্ট গ্রুপ অমগা খুৎশম্নবা কান্নগনি।

সিজোফ্রেনিয়া ঙাকথোক্লবা চপ চাবা পাম্বৈ লৈতবা তারবসু ঙন্না লায়েংহৌবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি হায়না লৌনরি। ফীভম হেঞ্জিনখিদ্রিঙৈদা হীদাক-লাংথক পীজদুনা অমদি সাইকোসোশল থেরাপি চৎথদুনা ৱাখল খনবগী মওং শেমদোক্লবা হোৎনগদবনি।

নোংমগী মনুংদা ঙাইহাক-ঙাইহাক নিংশা শ্বর শাংনা হোন দুনা মেদিটেশন তৌবসু অদুমক কান্নগনি। লায়েংদুনা ফখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না নারক্তনবগীদমক মরক মরক্তা দোক্টর অমদি থেরাপিষ্টকা তান্নদুনা মখোয়গী পাউতাক লৌগদবনি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



মোইরাংথেম নেত্রজিৎ, শগোলবন্দ শদোকপম লৈকায়

মীয়াম্না য়াম্না কিনরিবা কোভিদ-১৯না মালেম অসিদা অহুমসুবা লাঞ্জাও অমগুম লান্দারক্লি। লৈবাক অসিগী লৈঙাক্লসু লানফম অসিদগী মীয়ামবু কনবা ঙম্নবা হায়দুনা লোকদাউন লাউথোক্তুনা ঙসি ফাওবা তাঙ্কক কয়া থোক্লা লোকদাউন চৎথরক্লি। লোকদাউন কোমথোরকপনা মমাংদা চান-থক্লবা অমদি হীদাক লাংথক কয়া ফংদবগী ৱারম্বা অদুদি ফরে। অদুবু পোৎচৈগী মমলদি হন্থবা হায়বদু ওইদ্রি। মমাংদা থাদা লৈঙাক্লা চেং খরা-খরা য়েনবিরম্বা অদুসু লেপখ্রে। মরম অদুনা থবক শুফম-নোমফম খঙদনা লৈরিবা মীওইশিংগী অৱাবা উবিরদুনা লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপিদুনা অৱাবশিং অসিদগী কোকহন্নবা হোৎনবিয়ু। লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা লৈঙাকপশিংগী মরক্তা অমনা-অমগী ৱা তানদবা মখৈ চোংথোক-চোংশিন তৌরিবা অসিসু লৈবাক মীয়ামগী ওইনা লাইবক থীবা থৌদোক অমনি। লৈঙাকপশিংগী মরক্তা চয়েৎনরিঙৈ মরক অসিদা য়েংশিনবা ৱাৎহৌবদগী করিগুম্বা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ পাকশন্না শন্দোরক্লবদি পূম্নমক্কী মাংজবা ওইগনি হায়বসি নীংশিংবিবা ফৈ। কোভিদ-১৯ শন্দোরক্তনবা অৱাৎ-অপা কয়া খাঙদুনা অৱাবা কয়া খাঙদুনা ফ্রন্ট লাইন্দা লেপ্পুনা হোৎনরিবা মীওইশিংবু য়েংশিনবিয়ু।



নিংথৌজম শিবদাস, য়াইস্কুল জন্মস্থান

লোকদাউন থম্লবসু কোভিদ-১৯না শাথিনা নাহল্লবা ষ্টেটশিংদা লৈরুবা মণিপুরীশিংনা মপান্দগী হল্লকপদা ভাইরস অসিগা মশা খঙজদনা শাগোন্নদুনা লাকখিবনি। পূম্নমক্লসু লায়না অসি শোয়দনা লমদম অসিদা য়ৌরক্লগনি খঙনা-খঙনা ইরৈচাশিংনা মীরমদা ৱানা লৈরিবা অদু কোক্লবা হায়দুনা লৈঙাক্লসু লমদম অসিদা পুশিল্লকখিবনি। পূম্নমক অদু মপান্দগী হল্লকপা মীওইশিংনসু খঙফম থোকপনি। লৈঙাক্লা চেকশিন্না শেন্নবিরিবা অসিগী মথক্তা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিংগী পেরেন্টশিংনসু ৱাখল তামিন্নবগী মথৌ তাই। ক্বারন্টিন মপুং ফানা তৌদুনা নেগেটিভ ওইরে হায়বগী সর্টিফিকেট পায়রবা তুং হোম ক্বারন্টিন তৌরবদি লায়না অসিনা লমদম অসিদা শন্দোরকপা ঙম্লোই। মরম অদুনা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা থেংনরিবা অৱাবশিং অমদি অশি-অনা কা হেন্না য়াওরকপনা লায়েংফম লৈতবা খক নত্তনা লৈবাক খরদদি কোভিদ-১৯না শিবগী মশীং য়াম্বনা ফুম্নবা মোংফম ফাওবা লৈতবনা অরিবা মোংফমদা ফুমজিনবসু য়াওদবা নত্তে। মরম অদুনা পূম্নমক্না ৱাফম অসি য়াম্না লুম্না লৌমিন্নসি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# লোকদাউন কোমথোক্ত্রিঙৈ মনুংদা য়ুমগী অশানমল লৌবীগনু : মরুপ

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) :

লোকদাউন কোমথোক্ত্রিঙৈগী মনুংদা য়ুম অশানমল লৌবীগনু হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপ, খুরাই এরিয়া কম্মিটিগী সেক্রেটরি এন প্রেমিলানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯ থেংননবা ষ্টেট অসিদা লোকদাউন চৎনখিবদগী অৱাবা থেংনরি। লোকদাউন লাকখিবা নুমীৎ ৮৩ হেল্লকপসিদা শুফম-নোম্ফম লৈত্রবা ইমুং কয়া অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা মাইক্রো ফাইনান্সতগী লোন লৌরুবশিংদা শেন্দোয়গী প্রেসর পীরকপসি য়ানিংদে। লৈঙাক্লসু লোকদাউন কোমথোক্ত্রিবা ফাওবা মাইক্রো ফাইনান্স নৎত্রগা বেঙ্কতগী লোন লৌরগা ওটোরিস্কো সর্ভিস তৌরিবশিংদগী শেন্দোয় লৌবা লেপ্পবা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পীফম থোকই। খুরাই, হট্টা অমদি পোরোম্পাৎকী অশানবা য়ুম কয়াদা লৈরিবা মীওইশিংদগী লোকদাউন মনুং অসিগী ওইনা য়ুম অশানমল লৌবীগনু। কোভিদ-১৯ থেংনবদা মতেং পাংনসি হায়নসু মখা তারি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।০৬।২০২০ ইং, ইরাই, অয়ুক পুং ১১.০২ ফাওবা ইঙাগী ২৮ নি পাল্লি মতুংদি ২৯ নি পাল্লনি।

**মেষ :** পাউ নুংঙাইবা তাবা, নচাক নরল চাওখৎপা অমদি লৈঙাক্কী লমদা নিংজবা থুংবা নুমিৎনি। থবক্তি চিনবা অমদি মরুপ-মপাংনা নরলদা মীতাবা লৈগনি-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ।

**বৃষ :** হরাওবা-নুংঙাইবা, নক্লবনা তেংবাংবীবা অমদি মীয়াম্না য়াবা নুমিৎনি। য়েক্লবা লৈরম্লসু লাইনা খুদুম চনবা ঙমগনি। লৈঙাক্কী লমদদি ময়েং তাবা লৈগনি-নোল্লুকউ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** মীঙোন্দা লৈখিবা শেলথুম থৌজিনবা য়াগনি, য়েক্লববু ঙম-জগনি অমদি থৌনা লৈবগী কান্নবা ফংগনি। য়েৎনবনা মাংজবা অমদি মরুপ মপাংনা হুন্দুনা ঙাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙৱা ঙাংবা হৈয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

**কর্কট :** লৌশিং থাদরগা পাংবা থবক খুদিং মাই পাক্কনি অমদি মীংচৎ ফংজগনি। ললোন-ইতিক্তসু চাওনা কান্নবা ফংজগনি। মহু চাওবনা তাথিবা অমদি পাউ নুংঙাইতবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** মীপাইরম্বা কোকচদুনা অনৌবা থৌরম কয়া পাইখৎপা ঙম-জগনি অমদি লৈঙাক্কী লমদা চাওনা কান্নবা ফংবা য়ারে। পাওসু নুংঙাইবা তাগনি, মীয়াম্না য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** লৈঙাক্কী লমদা পুক্নিং পেঞ্জব, মীংচৎ হেনগৎপা অমদি মীনা লাকচবা ঙমদবা নুমিৎনি। অদুবু নক্লবশিংনা তাথিবা অমদি অশাওবনা মাংজবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হাইজবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**তুলা :** থৌনা ফুদোকপা য়ারগনি, ইমুং মনুং ৱাতান্নবা কান্নগনি অমদি লন চাওখৎনবা হোৎনবা মাই পাক্কনি। ললোন-ইতিক্তা খুৎচাও থাবদি য়ারোই, য়েক্লবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম ঙাইয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃশ্চিক :** নিংবা থুংবা, মীচং হেনগৎপা অমদি নতক থোংবনা চানবীবা নুমিৎনি। অদুবু লৌশিং থোকপদি ৱাৎকনি অমদি পাউ নুংঙাইবা ৱাৎকনি, মীয়াম্না য়ানবা চৎলু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/চেং।

**ধনু :** মীচং লৈ, ৱাখল থোক্কনি অমদি অনৌবা ৱাখল্লোন্না পাংবা থবক কান্নগনি। লৈঙাক্কী লমদদি মাইথিবা অমদি মরুপ মাংজবা লৈগনি। ৱাঙাং হৈত্রদি চোপকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফবা লৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মকর :** মাংগদবা নরলদগীদি কঞ্জবা ঙম্লগনি অমদি মরুপ মপাংনা চানবীবা হৌরগনি। অদুবু খুরৌ থাংবদি অদুম লৈরি অদুনা খাংবা কনবদি মথৌ তাই, খুৎ চাওগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম মাংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** থেংলপ্পা নুংঙাইবা অমদি লাই গুরুনা চানবীবা লৈগনি। খাংবা কনবা, মীৱা লৌদবা অমদি অখং অহৈ শাদবনা মাংগদবা কয়াদগী কঞ্জগনি। অঙম্বগী ৱা তাও।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হেন্না খঞ্জিনবা কান্নদে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন :** মাই পাক্কনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি নচা ননাই চাওখৎকনি। ললোন ইতিক্তা চাওনা কান্নগনি। মরুপ মপাংগা ৱাখল তান্নদবা লৈগনি অমদি লৈঙাক্কী লমদা মাংজৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# সোসল দিষ্টেন্সিং

থৱান








Thawan is a poet and musician.